

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*কিংস এলভেন পঞ্জাবকা শান্নখিবা মেটচতা স্লো ওভর রেটকী চার্জদা লুপা লাক্ষ ১২ ফাইন থিহনখ্রবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি*

*সাংহাইদা পাওথোকখিবা ফোর্মুলা ৱান গ্রান্দ প্রিগী চেম্পিয়ন ওইদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ১০০০শুবা টাইটল লৌখ্রবা বৃটেন মচা লেৱিস হেমিল্টন*

## এফ সি গোৱানা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা হেরো সুপর কপকী অহানবা টাইটল লৌখ্রে

*ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ১৪ঃ*

আই এস এল অমদি আই–লীগকী মরুওইবা ক্লবশিংনা হেরো সুপর কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ সি গোৱানা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌখ্রে।

উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচঅদু হেক হৌবদগী চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্দুনা তৌদুনা লাকপদগী এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর পীখি।

নীংশিংবা য়াই এফ সি গোৱানা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা আই–লীগকী চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটি এফসিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা চেন্নাইন এফ সিনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এটলেটিকো দি কোলকটাবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

শান্নবগী ২৩ অমদি ২৬শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিবা অদু গোৱাগী গোলকিপর মোহমদ নৱাজনা ফিভম চানা লৈখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।



*হেরো সুপর কপকী টাইটল লৌখ্রবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

টিম অনীমক ফাইনেল মেটচ অদুদা ৪–২–৩–১ ফোর্মেটতা শান্নরকখি। টিম অনীমক দিফেন্স লাইন য়াম্না ফজখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনসু এটেক চথদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা স্পেন মচা ফেরান কোরোমিনাসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদু গোৱানা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোৱাগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৩ লৈরগা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রাফেল ওগষ্টোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিহনখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম মিনট ২৬ রোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু গোৱাগী দিফেন দরশিংনা ফজবা হেনখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু এফ সি গোৱা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা হেরো সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমদি জপানগী কেন্টো মোমোটানা সিঙ্গাপোর ওপনগী সিঙ্গলস টাইটলশিং ফংখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, এপ্রিল ১৪ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চথরকপা য়ু এস দোল্লর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমদি জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফংখ্রে।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইবদা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ২শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী য়াম্না নক্লবা স্কোর ২১–১৯ দা টাই ঝু য়িংনা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই টাই ঝু য়িংনা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–১৫ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটানা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিন্টিংনা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটাবু য়াম্না লায়না ২১–১০ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।



*নুপীগী সিঙ্গলস ফংখ্রবী তাইপৈগী টাই ঝু য়িং (ওই) অমদি নুপাগী চেম্পিয়ন জপানগী কেন্টো মোমোটা*

অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফজবা হেনখিবদগী য়াম্না নক্লবা স্কোর ২১–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নখিবদগী দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শান্নখি।

৩শুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিং উপায় লৈখিদবদগী গেম অদু মোমোটানা ২১–১৩ দা থোইখিবদগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদানা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ আসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেটচ অমদা ২১–১৩, ১৯–২১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মায়ু মাটসুটোমো অমদি ৱাকানা নাগাহারানা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কি হিয়ে জিওং অমদি কোং হি য়োংবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল পুৱাভারানুক্রোহ অমদি সাপসিরি টেরাট্টানাচাইনা মালেসিয়াগী পেয়র টান কিয়ান মেং অমদি লাই পৈ জিংবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৪, ২১–৬ তা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

## চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৫ তা থোইখ্রে, রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরসু মায় পাকখ্রে

*কোলকটা। মোহালি, এপ্রিল ১৪ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ২৯শুবা লীগ মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে, ঙরাংগী ২৮শুবা মিনটতা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।



চেন্নাই অমদি কোলকটানা ঙসি শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী টোস চেন্নাইনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। কোলকটানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬১ লৌবা ঙমখি।

ওপনর সুনিল নরাইন শুপ্নগী রন ২ দা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন নিটিস রানা অমদি অতোপ্পা ওপনর খৃস লিননা ইন্নিংস শেমগৎনবা হোৎনরকখি। রানা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অনৌনা চঙলকখিবা রোবিন উথাপ্পা রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। ওপনর খৃস লিননা চেন্নাইগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৫১ মায়োক্নবদা সিক্স ৬ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অদুদা কোলকটাগা অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৪ তুবদা রন ১২২ দা লৈখি।

মখা তানা চঙলকখিবা টিম অসিগী অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬১ দা লৌখি।

চেন্নাইনা মায় পাকপগী রন ১৬২লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫ দা মায় পাকখি। টিম অসিগী ওপনর সেন ৱাটসন রন ৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সুরেস রাইনা অমদি অতোপ্পা ওপনর ফা দু প্লেসিসনা ইন্নিংস শেমগৎলকখি।

ফা দু প্লেসিস রন ২৪ দা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন কেদর যাদবনা রন ২০ অমদি এম এস ধোনিসু রন ১৬ লৌরমখি।

সুরেস রাইনা অমদি রবিন্দ্র জাদেজানা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৫৮ অমদি ৩১ লৌরমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙরাং মোহালিদা শান্নখিবা ২৮শুবা লীগ মেটচ অদুগী টোস রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরনা ঙমদুনা ফিল্ডিং খনখি। কিংস এলভেন পঞ্জাবনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ আওট ওইরগা রন ১৭৩ লৌবা ঙমখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর খৃস গেলনা বোল ৬৪ মায়োক্নবদা সিক্স ৫ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

বেঙ্গালোরনা মায় পাক্নবগী রন ১৭৪ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট ২ আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোরগী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী রন ৬৭ অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। এবি দি ভিল্লিয়র্স অমদি মার্কস ষ্টোইনিসকী আওট ওইদনা রন ৫৯ অমদি ২৮ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৩১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | P | A | L | S | | A | C | R | E | | A | C | M | E |
| R | E | L | E | T | | S | H | O | O | | L | O | I | S |
| A | S | P | I | R | A | T | I | O | N | | M | A | S | S |
| L | O | S | | E | R | E | C | T | S | | A | S | E | A |
| | | | L | A | I | R | | | | E | N | T | R | Y |
| P | A | N | A | M | A | | O | P | E | R | A | | | |
| I | C | E | D | | | A | M | E | R | I | C | A | N | S |
| E | N | S | | F | O | R | E | S | E | E | | T | E | E |
| R | E | S | I | L | I | E | N | T | | | M | O | R | E |
| | | | G | A | L | A | S | | T | R | I | P | O | D |
| U | S | I | N | G | | | | S | H | E | A | | | |
| S | U | M | O | | K | O | R | E | A | N | | E | G | G |
| H | E | A | R | | U | N | S | U | I | T | A | B | L | E |
| E | D | G | E | | R | E | V | S | | A | L | B | U | M |
| R | E | E | D | | T | S | P | S | | L | I | S | T | S |

## সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা মহেশ্বরী চৌহান ২১শুবা পোজিসন তাখ্রে

*অল ইন (য়ু এ ই), এপ্রিল ১৪ঃ*

য়ু এ ই গী সিটি অল ইনদা চথরিবা সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মহেশ্বরী চৌহান নুপীগী স্কিট ইভেন্টতা ২১শুবা পোজিসন তাহৌরে।

নুপী সুট্টর ৭১ দা লম্বা তৌনখিবা ইভেন্ট অসিদা নেসনেল চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী মহেশ্বরী চৌহাননা স্কোর ১১৪ তৌদুনা শুপ্নগী পোইন্ট ৪ শোথদুনা ২১শুবা পোজিসন তাহৌবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর গানেমাট সেখোনঅমদি রাসমি রাথোর মথংশিংনা ১০৮ অমদি ১০৯ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

সোটগন ৱার্ল্ড কপ অসিগী নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা এসিয়ান অমদি নেসনেল চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী ভির সিংহ বাজৱা রাউন্দ ২৪ অমদি ২৩ দা স্কোর ৪৭ তৌবা ঙমখ্রবসু ৬১শুবা শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ওলিম্পিয়ান মাইরাজ অহমদ খান ৭৬শুবা পোজিসন তাহৌখি। সিরাজ সৈখনা ৮৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

হয়েং পাঙথোক্কদবা রাউন্দ ৩ দা চাং য়েংনরবা মতুং মকোক থোংবা সুট্টর ৬ না ফাইনেল রাউন্দদা লম্বা তৌনগনি।

## ইথিওপিয়াগী মিলো অমদি বুরকানা পেরিস মরাথোনগী টাইটলশিং লৌখ্রে

*পেরিস, এপ্রিল ১৪ঃ*

ইথিওপিয়াগী অবরহা মিলো অমদি জেলেট বুরকানা পেরিস মরাথোনগী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটলশিং লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মরাথোন লমজেল অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা ইথিওপিয়াগী এঠলিট অবরহা মিলোনা মমাঙদা চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা কেনিয়াগী এঠলিট পোল লোনয়াঙাটাবু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেটেগোরি অসিদা ইথিওপিয়াগী মিলোনা পুং ২ মিনট ০৭ সেকেন্দ০৫ দা চেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। কেনিয়াগী এঠলিট পোল লোনয়াঙাটা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি। নুপাগী কাঙলূপ অসিদা এঠলিট ৪৯,১৫৫ না শরুক য়াখি।



নুপীগী কাঙলূপ্তা ইথিওপিয়াগী এঠলিট জেলেট মুরকানা ২ঃ২৩ঃ৪১ সেকেন্দদা চেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ফ্রান্সকী এঠলিট ক্লেমেন্স কেলভিননা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবসু ফ্রেন্সকী ওইনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখি।

ফ্রান্সকী নুপী এঠলিট ক্লেমেন্স কেলভিননা মরাথোন লমজেল অসিদা ২ঃ২৩ঃ৪১ সেকেন্দদা চেন্দুনা ৪শুবা পোজিসন তাবগা লোয়নন্না ফ্রেন্সকী অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখি। রেকোর্দ অসি কুমজা ২০১০ দা ফ্রান্সকী অতোপ্পা এঠলিট খৃষ্টেল্লি দাওনেনা সেকেন্দ ৪১ হেনগৎলগা থন্বা ঙমখিবনি।

## ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মিলাননা লাজিও ১–০ দা থোইখ্রে, টোরিনো অমদি কাগলিয়ারি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখ্রে

*রোম, এপ্রিল ১৪ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা মিলাননা লাজিওবু ১–০ দা থোইখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা টোরিনো অমদি কাগলিয়ারি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখ্রে।



মিলান অমদি লাজিওনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা মিলাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ফ্রেঙ্ক কেসিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী মিলান মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা টোরিনো অমদি কাগলিয়ারি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখি। অহানবা হাল্ফতা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাক্নবা ঙম্নখিদবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সাইমোন জাজানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা কাগলিয়ারিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লিওর্নাদো পাভোলেট্টিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

টোরিনোগী শান্নরোই সাইমোন জাজা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। অদুগা কাগলিয়ারিগী শান্নরোই লুকা পেল্লেগ্রিনি অমদি নিকোলো বারেল্লাসু রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী লীগ মেটচ অমদা ষ্ট্রাসবর্গ অমদি গুইনগেম্প পাঞ্জল ৩–৩ দা দ্রো চংখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা গুইনগেম্পকী শান্নরোই মার্কস থুরামনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। ৩৯শুবা মিনটতা ষ্ট্রাসবর্গকী শান্নরোই লুদোভিস আজেরক্যানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৩শুবা মিনটতা গুইনগেম্পকী শান্নরোই লুকাস দিওক্সনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৬৯শুবা মিনটতা ষ্ট্রাসবর্গকী শান্নরোই সানজিন পরকিকনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৭৩শুবা মিনটতা টিমমেট লুদোভিসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি।

৮৬শুবা মিনটতা গুইনগেম্পকী শান্নরোই জেরেমী সোরবোননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–৩ দা দ্রো চংখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা এঙ্গর্সনা কেনবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। এঙ্গর্সকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা জেফ রিনে এদিলেদনা চনখিবনি।